## মোরে বোর্দরদা পোলিওগী বুথ হাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসর মোরে অমসুং ৯ আসাম রাইফলস মোরে অনীনা পুন্না খুৎশম্ননা শিন্দুনা ঙসি মণিপুরগী মোরে অমসুং ম্যান্মারগী তামু বোর্দরদা ক্রোস বোর্দর পোলিও ভেকসিনেসন বুথ অনী গেট নম্বর ১ অমদি ২ দা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ইম্ম্যুনাইজেসন দব্লিয়ু/এফ কম দিপ্যুটি দিরেক্টর ডো: তোমচা খুমননা হায়খি, চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২৭ তা ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন্না ইন্দিয়া অসি পোলিও ফ্রী কন্ট্রি ওইরে হায়দুনা দিক্লার তৌখ্রে। যুমলোন্নবা লৈবাক্তগী পোলিও ভাইরস চঙলক্তনবা পান্দম অমগা লোয়ননা বোর্দর এরিয়াদা পোলিও হীদাক পীথকপগী থবক হৌখিবা এপ্রিল ২২ দগী ম্যান্মারগা তাইনবা মফম অমা ওইরিবা মোরে অমসুং তামু অনীগী মরক্তা লৈবা বোর্দর গেট নম্বর ১ অমসুং ২ দা পোলিও বুথ হাংদুনা লৈবাক অনীগী অঙাংশিংদা পোলিও হীদাক পীথক্তুনা লায়না অসি ইন্দিয়ারোমদা লানশিল্লক্তনবা হায়দুনা থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। ভেসিনেটরশিংনা নোংজু নুংশা মরক্তা পোলিও হীদাক পীথক্তুনা লাকপা চহী অমা ফারকপা অসিদা ৯ আসাম রাইফলস মোরেগী কাঙবুনা ভেক্সিনেটরশিংগী অৱাবা কয়া অসি উবীদুনা ঙসি গেট নম্বর ১ অমসুং ২ দা ভেক্সিনেসন বুথ অনী হাংদুনা থম্বীবা অসিগীদমক ডো: তোমচা খুমননা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

দিপ্যুটি কম্মান্দেন্ট ৯ আসাম রাইফলস মোরেগী ডো: এস চোংথামনসু থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। ৯ আসাম রাইফলস মোরেনা মোরেদা লৈবা মীয়ামগী পাংবা য়াবা মতেং পাঙদুনা লাক্লি, পাঙসু পাঙখিগনি হায়দুনা মখা তানা মহাক্না ফোঙদোকখি।

এস এম ও/এন পি এস পি/দব্লিয়ু ঐচ ও মণিপুরগী এল গোজেন্দ্রনা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ডো: এস প্রিয়োকুমার, দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসর মোরে, ডো: কে ঐচ শান্তিকুমার, এম ও ইন চার্জ পি ঐচ সী মোরে, এম জে সী পি শর্ম্মা, ৯ আসাম রাইফলস মোরেসু শরুক য়াখি।

## 'প্রোজেক্ট/স্কিম কয়া অতোপ্পনা তম্নরে'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ ত্রিপুরাদা কুমজা ১৯৮২ দগী কুমজা ২০০৬ ফাওবদা কম্যুনেল রাইওট অমদি যু জিশিংগী চৈথেং কয়ানা ষ্টেট অসি শোথনা লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ষ্টেট অসিদা লেফ্‌ট গভর্ণমেন্ট লাকপদগী চাউখৎপা পুরকপদা নত্তনা গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎপা অনৌবা প্রোজেক্ট অমসুং স্কিম কয়া অতোপ্পশিংনা তমজবা হৌরে হায়না লোক সভাগী এম পি জিতেন্দ্র চৌধুরিনা ফোঙদোকখ্রে।

লেফ্‌ট এন্দ সেক্যুলর এল্লাইএন্স মণিপুরনা শিন্দুনা জননেতা ইরাবত মেমোরিএল সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা এক্সপিরিএন্স ওফ লেফ্‌ট ফ্রন্ট গভর্ণমেন্ট ইন ত্রিপুরা হায়বা হীরমদা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা লেকচর প্রোগ্রামদা ৱা ঙাঙলদুনা লোক সভাগী এম পি জিতেন্দ্র চৌধুরিনা হায়খি, লেফ্‌ট গভর্ণমেন্ট লাকপদগী হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ত্রিপুরানা লিটরেসি রেট খ্বাইদগী ৱাংবা ওইবা ঙম্লে। মসিগীসু মথক্তা গভর্ণমেন্টগী মখাদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমদি প্রোজেক্টশিংগী কান্নবসু মীপুম খুদিংমক্তা মপুং ফানা ফংহনবনা হৌজিক্তি ত্রিপুরাদা লাইরবা হায়বদু লৈত্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা, ত্রিপুরাদদি চহী ২ দগী ৫ ফাওবগী অঙাংশিংগীদমক আই সী দি এস প্রোজেক্ট নিংথিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্লে। অদুগা চহী ৬ তগী ১৪ ফাওবগী অঙাংশিংসু চাদা চাম্মা স্কুলশিংদা মিংচন্দুনা মহৈ তম্বা ফংহল্লে। ষ্টেট অসিগী খুঙ্গংগী মফমশিংদা লৈবা লম্বী থোংসু চাদা ৯৫ দি নিংথিনা শেম্লে। মসিদসু নত্তনা চাদা ৯৪ খুঙ্গংগী য়ুমথোংশিংদা মৈ ফংনবা ঙম্লে। লোয়ননা ইরিগেসনগী থবকসু চাদা চাম্মা মপুং ফানা থবক পায়খৎলে। মীপুম খুদিংমক থবক শুহন্নবা পান্দমদা পায়খৎপা এম জি এন আর ঈ জি এসসু চহী অমদা নুমীৎ ১০০ নি থবক পীগদবা অদু নুমীৎ ৯৫ নি থবক পীরি হায়খি।

ত্রিপুরা অসি নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি অৱাৎপা লৈতবা মফম অমা ওইরম্বনি। অদুবু ইন্দিয়াদা পুনখ্রবা মতুং কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা মীতোপ কয়া চঙশিল্লক্তুনা শাফু পীবা হৌরকপদগী লাইরবা ষ্টেট অমা ওইহনখি। খুন্নাই অমবু চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবদা কলচর অমদি লোল নিংথিনা য়োকখৎতুনা থম্বা মথৌ তাই। ত্রিপুরাগী ওইনা কলচর অমসুং লোল চাউখৎহন্নবগী থবক পায়খৎলমদবা অসিদি লাইবক থিবা হায়বদু ওইরি হায়খি।

GAS TODAY

ATHOKPAM INDANE SERVICE
Booking Upto-20/07/14
Valid From-11/07/14.Stk-576
Time : 6:30-10:00 a.m.

JEMON GAS SERVICE CHINGAMATHAK
Sl. No. Upto-67870
Booking Upto-23/06/14
Valid From-03/06/14.Stk-800
Time : 6:30-9:30 a.m.

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Booking Upto-18/06/14
Valid From-05/06/14.Stk-500
Time : 6:30-9:30 a.m.

# এপিকোন মণিপুর ২০১৪ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ এসোসিএসন ওফ ফিজিসিয়ন ইন্দিয়া (এ পি আই) মণিপুর ষ্টেট চেপ্তুর অমসুং রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিসিন অনীনা পুন্না খুৎশম্ননা শিন্দুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চৎথগদবা ৪ শুবা এসোসিএসন ওফ ফিজিসিয়ন ইন্দিয়া কনফরেন্স (এ পি আই সী ও এন) মণিপুর ২০১৪ ঙসি রিমসকী জুবিলি হোলদা হৌদোকখ্রে।

কন্টিন্যু মেদিকেল এদ্যুকেসন (সী এম আই) ওন জেরিএট্রিক মেদিসিন হায়বা হীরমদা চৎথগদবা কনফরেন্স অদু হৌদোকপগী থৌরমদা সোসল ৱেলফেয়র এন্দ কোওপরেসনগী মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইনা চীফ গেষ্ট, রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর সি ঐচ অরুনকুমার অমদি মণিপুর হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডো: এ বিজয়না গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং এ পি আই, মণিপুর চেপ্তুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী ৱারোল পীরদুনা এ কে মিরাবাইনা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা কনফরেন্স অসিনা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট অমসুং গ্রেজ্যুএট তম্লিবা মেদিকেল মহৈরোয়শিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি। কনফরেন্স অসিদা য়াওনবগীদমক মণিপুর অমদি অতৈ অতোপ্পা ষ্টেট কয়াদগী লাক্লিবা ডোক্তরশিংবু থাগৎলি। মীওইবনা হকচাং ফনা লৈরবা মতমদা নুঙাইবা মশক খঙই। হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা অনা লায়েংগী হীরমদা তমদবা য়ারক্তে। মীওইবগী হকচাং কয়াৎতা য়াওরিবা হার্ট হায়বসি অসুক্কী মতিক মথৌ তাবগুম, মীওইবনা হকচাং ফনা লৈনবা থৌরাংলকপদা ডোক্তরনা লৌরিবা থৌদাং ঐখোয়না কাউবা য়াদে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কনফরেন্স অসিনা অহলগী হকচাং ফনা থম্নবা পান্থে জেরিএট্রিক মেদিসিনগী মরমদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্নবা খুদোংচাবা অদুসু পীরগনি। মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপনা ঙসিদি মখল কয়াগী লায়েং পথাপ অমদি হীদাক কয়া পুথোক্লে। অহলশিংদা নুংশিবা মিৎয়েং থম্বা, মখোয়গী মতেং পাঙবা হায়বসি ঈশ্বর নিংজবগুম্বনি হায়খি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা প্রোফেসর সি ঐচ অরুনকুমারনা হায়খি, রিমসতা অফবা ডোক্তর কয়া লৈ। ইনষ্টিট্যুট অসিবু হেন্না চাউখৎহনগে হায়রদি সুপর স্পিসিএলিটি মশিং হেন্না থম্বা মথৌ তাই। ডোক্তরশিং অমদি ষ্টাফশিং হেন্না হোৎনবা, হেন্না চেকশিনবা অমদি মথৌদা থৱায় য়াওরবদি ইনষ্টিট্যুট অসি হেন্না চাউখৎলক্কনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট ওইখিবা প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোনা হায়, জেরিএট্রিক মেদিসিনগী মরমদা ইনষ্টিট্যুট অসিগী গ্রেজ্যুএট অমদি পোষ্ট গ্রেজ্যুএট ডোক্তরশিংদা কনফরেন্স অসিনা মমুৎ তানা খঙহনবা ঙম্লগনি। মখোয়না ডোক্তর অমা ওইনা মীয়ামগী মতেং পাঙবা মতমদা অহল ওইরবা মীওইশিংদা মখল কয়াগী অনাবা কয়া থেংনরক্কনি। মতমদুদা জেরিএট্রিক মেদিসিনগী মরমদা খঙদবা য়ারক্লোই। অহলশিংনা মশা মউ ফনা, নুঙাইনা লৈহনবদা জেরিএট্রিক মেদিসিনগী পান্থে লৌগদৌরিবনি। অহলশিংগীদমক কথোক্লা থবক তৌসি হায়নসু মখা তাখি। থৌরমদুদা সোভিনিয়র অমসু রিলিজ তৌখি। ডো: কে রোমিও, প্রোফেসর এস বৈগ্যাবতি, প্রোফেসর টি ঐচ প্রেমচান্দসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

# হাংদুনা লৈরিবা বোসেমগী সেক্রেটরি অথুবদা হাপ্পীয়ু : জি ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টগী বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) গী হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা সেক্রেটরিগী ফম অথুবা মতমদা হাপ্পীনবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসন (এ এম এস জি ও) গী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌরক্লি।

ঙসি নুংথিল পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এ এম এস জি ওগী শঙলেন্দা পাউমীশিংগা উনবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এস সুমাতিনা হায়খি, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি এল রাজমোহোন চহীসিগী জুলাই ৩১ দা থবক্তগী পোথাখ্রে। অদুবু সেক্রেটরিগী ফম ঙসি ফাওবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হাপ্পীদনা লৈরি।

মসিনা মরম ওইরগা বোসেমগী সেক্রেটরিনা থৌগায় পুরম্বা জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন, ইগজামনচিংবশিং মথৌ তৌদনা লৈরে। মদুগী মথক্তা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেত্রিক ইগজামদা অৱাবা কয়া থেংনবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মরম অদুনা হাংদুনা লৈরিবা সেক্রেটরিগী ফম অসি মরী লৈনবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হাপ্পীয়ু। হীরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনসু অকনবা মিৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

সুমাতিনা মখা তাখি, বোসেম অমসুং কাউন্সিলনা মহৈরোয়শিংদগী রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম ফিল অপনচিংবা তৌবদা ফী চাউনা লৌবনা মহৈরোয়শিংদা অৱাবা চৈথেং কয়া থেংনরে। মসি মরুওইনা লাইরবা ইমুংগী মহৈরোয়শিংদা অৱাবা হেন্না থেংনৈ। মহৈরোয়শিংদগী ফী চাউনা লৌবগী মহুত্তা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী বজেট চাউনা কায়থোকপীদুনা বোসেম, কোসেমনা ওইনা চলাইনবা হোৎনবীয়ু।

অদুগা দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) না ওজাশিংগী রেসনেলাইজেসন তৌবদা থবক্তগী পোথারবা অমদি লৈখিদ্রবা মীওই ট্রান্সফর তৌবগী চেকশিন্দবা থৌওংসি তোকপীয়ু। ওজা ট্রান্সফর তৌবা মতমদা একাদেমীক সেসন ময়াদা ওর্দর থোকপগী চৎনবীসি মথংদদি একাদেমীক সেসন মমাঙদা ওইনা তৌবীয়ু হায়না অপিল তৌরক্লি।

# লমগী ৱাহৌদা নুংশিনদনবা শিনগনু : অন্দ্রো খুঞ্জাশিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা উখোল খুনদা লৈরিবা অন্দ্রো খুনগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা চফু উপ্পী লাইফমলেনগী মতাংদা লমগী চয়েৎনবা উংখৎনবা অমা অন্দ্রো অমসুং শন্দংশেনবা মরিং খুনগী মরক্তা লৈরিবসি লোইশিন্ননবা হোৎনবগী মহুত্তা শন্দংশেনবা মরিং খুননা ঈরাং থোক্লবা শিল্লিবসি লেপকদবনি হায়বা ৱাফম অন্দ্রো খুঞ্জাশিংনা থল্লক্লি।

ঙসি অয়ুক অন্দ্রোদা লৈবা সনা পোকপা চকপা অন্দ্রো পানম নিংথৌ লাইবুংদা অন্দ্রো খুনগী অপুনবা মৈরা পায়বী, ক্লব অমদি অতৈ লূপশিংগী লুচিংবশিং য়াওবা পাউগী মীফম অমদা খুন অসিগী খুল্লাকপা চিঙাখম গন্ধার মৈতৈনা হায়খি, শন্দংশেনবা মরিংগী ওথোরিটিনা থা অসিগী ১১ গী পাউচেশিংদা অন্দ্রো খুননা শন্দংশেনবা মরিং খুনগী লমখৈদা চঙশিন্দুনা ফিরাল য়ুংলগা লম লৌশিল্লে হায়না ফোঙদোরকপসি য়ানিংদে। শন্দংশেনবা মরিং খুনগী লুজদবা থৌওং অসিনা অন্দ্রো খুনবু মণিপুরগী মীয়ামদা লান্না উহনবসি লাইবক থিবনি।

মরিং খুননা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরিবা চোংঙা লৌকোলদা লৈবা চফু উপ্পী হায়রিবা শেংলবা লাইফমলেন অসি অন্দ্রোগীনি। লাইফমলেন অসি চহী চা কয়াগী মমাঙদগী অন্দ্রো খুঞ্জাশিংনা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবনি হায়দুনা লাইনিং লাইশোন তৌনরিবা মফমনি। থা অসিগী ১৭ তা অন্দ্রো খুঞ্জাশিংনা ফিরাল য়ুংদুনা লমখৈ তাক্লখিবা অদুসু থোক্লমদবা য়াবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, শেংলবা লাইফমলেন অসিদা হৌরিবা উজাও কয়া ওগষ্ট ৮ দা শন্দংশেনবা মরিংনা উচোল খুঞ্জাশিংদা শেল পীদুনা য়াম্থৎহনখি। মদুনা মরম ওইরগা অন্দ্রো খুঞ্জাশিংনা মশাগী লমখৈ য়াৎথোকখিবনি। অন্দ্রো খুঞ্জাশিংনা মরিং খুঞ্জাশিংদা কিহন-খঙহনখিবা লৈতে। লমখৈ য়াৎথোক্তুনা লমগী চয়েৎনবা লৈরিবসি কোক্লবা থা অসিগী ২, ৫ অমদি ১৫ দা শন্দংশেনবা মরিং খুনগী ওথোরিটিদা অইবা চেরোল থাদুনা ৱারী শাননবা হায়জখি।

অদুবু মরিং খুননা খঙশিন্নদনা লৈথোক্লি। শন্দংশেনবা খুননা তুমীন লৈথোকখিবদগী অন্দ্রো খুনগী মীফম অমা থা অসিগী ১৭ তা ফম্লবা তুংদা লমখৈ য়াৎখিবনি। হন্দক থোক্লিবা অসি নত্তবদা মমাঙদগী হৌনা শন্দংশেনবা খুনগা লমগী য়েৎনবা অদুমক লৈরক্লবনি। অন্দ্রো খুঞ্জাশিংনা মশাগী লম নত্তনা অতোপ্পগী লম লৌশিনবদা কল্লকপা লৈতে হায়খি। অন্দ্রো খুনগী হান্নগী নিংথৌ সলাম জুগেশ্বরনা হায়খি, শন্দংশেনবা মরিংনা অন্দ্রোগী লমখৈবু মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরকপসি অঙকপা পোকই। লমগী চয়েৎনবা লৈরিঙৈদা নোর্দন মরিং এলদরস ফোরমনা চফু উপ্পী লাইফমলেনগী পাক চাউবা একর ৩০০ নি হায়না মেদিয়াদা লান্না ফোঙলকপসি ঈকাইনিঙাইনি। লাইফমলেনগী পাক চাউবা অসি একর ৩০ রোমদমক্লি।

থিজিন-হুমজিন্দনা পঙাঙ ঙাঙলগা কাঙলুপ ঈরাং থোক্লবা শিনবা তৌবীগনু। খুন অনীমক নুংশিননা লৈমিন্ননবা অন্দ্রো খুঞ্জাশিংনা পাম্মী। শন্দংশেনবা মরিংনা মফমসিদা চহী ১০০ রোমগী মমাঙদগী খুন্দারকপনি হায়বসিসু অরানবনি। শন্দংশেনবা মরিংদি অন্দ্রো অমসুং শন্দংশেনবা কবুই খুননা লম পীদুনা লৈহনখিবনি। কুমজা ১৯৩০ অদুৱাইদা মফমসিদা শৈদাংদুনা লৈরকপনি। পুৱারী খঙদনা খুদক্কী পুৱারী শেন্বা কান্নবা ফংলোই হায়খি।

নোংমাইজিং চীংশাং পরেংদা মরিং অমত্তা খুন্দারমদে। কবুই, অন্দ্রো, চিরুনা মফমসিদা খুন্দারকপনি। মরম অদুনা লমগী চয়েৎনবা লৈরিবসি কোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা করিগুম্বা খরগী মরুমদা লৈরগা শন্দংশেনবা মরিংনা কাঙলুপকী ঈরাং থোক্লবা শিনবা লেপ্পীয়ু। অন্দ্রো খুঞ্জানা কাঙলুপকী ঈরাং থোকপা পামদে। করিগুম্বা অন্দ্রো খুনগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি খুদিংমক থেংনগনি। লোয়ননা থা অসিগী ১৭ তা য়াৎখিবা লমখৈদা য়ুংবা ফিরাল ফুক্তোক্লম্বা য়ানিংদে হায়বা ৱাফম থল্লক্লি।

# বুল্লেট রেল্লি, পোষ্টর কেম্পেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ রোয়ল রাইদরস মণিপুরনা শিন্দুনা লাক্লিবা নবেম্বর ৫ দগী ৭ ফাওবা লন্নাইগী চীংনুংখোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা নোর্থ ইষ্ট রাইদরস মীট ২০১৪ গী মাঙওইননা ঙসি রেল্লি অমা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎখিবগা লোয়ননা পোষ্টর কেম্পেনসু পাঙথোকখ্রে।

এন ঈ আর এম ২০১৪ গা মরী লৈননা চৎখিবা বুল্লেটকী রেল্লি অদু মৈতৈ লাঙ্গোল গেম ভিলেজদগী লমথাখি। রেল্লি অদুনা ইরোইশেম্বা লম্বীদা হায়গৎলক্লগা নাওরেমথোং ফাওরগা তেরা কৈথেলদা খামদুনা পোষ্টর কেম্পেন চথখি। তুংদা তেরা কৈথেলদগী অমুক রেল্লি অদু খোঙশানলক্তুনা ক্বাকৈথেলদা খাম্লগা পোষ্টর কেম্পেন চঙশিনখি।

রেল্লি অদুনা কৈশাম্পাৎ তম্না হায়গৎলক্লগা ৱাহেং লৈকায় ফাওরগা লিলাশিং খোঙনাংখোঙ তারক্তুনা টিলিপটি ফাওরগা কোংবা কৈথেলদা খাম্লগা পোষ্টর কেম্পেন পাঙথোক্লবা মতুং শিংজমৈ চীংঙা মখা মোর্দন ক্লবতা লমথুংখি।

তুংদা ঙসি চৎখিবা রেল্লি অদুগী মতাংদা রোয়ল রাইদরস মণিপুরগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এন ঈ আর এম ২০১৪ গী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভেনর আর কে তোম্বীস্নানা হায়খি, রেল্লি অসি য়ুথ এদভেঞ্চর, টুরিজম, স্পোর্টস হায়বসিদা মরুওইনা লৌরগা হীরমশিং অসিদা ইমফেসিস পীদুনা প্রোমোট তৌনবগীদমক্তা পাঙথোকপনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, আর আর এমগী মোটোদি সেবিং ৱিথ এদভেঞ্চর হায়বসিনি। আর আর এমনা এদভেঞ্চর চৎলগসু মীয়াম, লৈত-লাইরবা ওর্ফানশিংদা অঙম্বা মতেং পীদুনা লাক্লি। হন্দক মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা তরুকশুবা এন ঈ আর এম অসিগী মাঙওইননা অহানবা এন ঈ আর এম আসামগী কাজিরঙ্গদা পাঙথোকখি। অনীশুবনা অরুনাচল প্রদেশ, অহুমশুবনা মেঘালয়াগী শিল্লোং, মরিশুবনা নাগালেন্দ অমসুং মঙাশুবনা মিজোরামগী আইজোলদা পাঙথোকখি। মীট পাঙথোক্লিবা অসিগী মরুওইবদি নুংশি চান্নবা, ফুরুপ কাঙলুপ খায়দবা, হ্যুমেন ভেল্যু থাক ৱাংহনবা অমদি বুল্লেট থৌরিবা কাঙবুশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী লিচিং অদু শাগৎপনি। লাক্লিবা নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীট অসিদা বাইকিং ইভেন্ট, ফিজিকেল ইভেন্ট, সোসিএলাইজিং, ওদিও ভিজুএল প্রজেন্টেসন, ম্যুজিক অমদি ইন্টরটেনমেন্টনচিংবা কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## 'য়াইফবা খুন্নাই পুরক্লবা হোৎনসি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) ঃ নহা ওইরিবশিংনা অফবা সিটিজন ওইনবা হোৎনদুনা তুংগী য়াইফবা খুন্নাই পুরক্লবা হোৎনসি হায়না ফুংয়ার এ সীগী এম এল এ ভিক্টর কৈশিংনা ঙসি ট্রাইবেল রিসার্স ইনষ্টিট্যুট চীংমৈরোংগী হোলদা পাঙথোকখিবা ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী ফ্রেসস মীটকী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ ভিক্টর কৈশিংনা হায়খি, মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতম অসি পুন্সিগী য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক্নি। মহৈরোয় ওইরিবশিংনা মহৈ মশিং তম্বদা পুক্নিং চঙবা তাই। নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা অফবা সিটিজন ওইনবা হোৎনবা তঙাইফদে। য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা নহা ওইরিবশিংনা হোৎনবা তাই। দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স অসি নোর্থ ইষ্টতা য়াম্না অফবা কোলেজ অমনি। কোলেজ অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ কন্না তমদুনা অফবা মী ওইনবা হোৎনবা তাই হায়খি।

# প্রিপাক্লা মালেমগী ঈং-তপ্পা নুমীৎ লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ ঙসিগী চাউখৎপগী মঙাল ফংলে হায়রিবা তংদু-লৈতাদ্রবা ফীভমনা নোংম-নোংমগী হোংলক্লিবা মালেমদা মীওইবা খুন্নাইনা অচুম্বা লৈঙাক ৱায়েল ফংদুনা ঈং-তপ্পা পানবা ঙম্নবগীদমক্তা পাঙথোক্লিবা ইন্টর্নেসনল দে ওফ পিছনা লাকপদা পিপল'স রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) না লমদমসিগী কংলৈ মীয়াম য়াওনা মালেমগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পিপল'স রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম ইরৈবাক্কী মীয়াম্না হৌখিবা মীরোল কয়া লোইলম লৈঙাক্লা নমথবীবদগী অমসুং মীওৎ-মীনৈ লেপ্তুনা চথবীবদগী ঈং-তপ্পা পানবগী পুন্সিরোল অদু পুন্সিদা মহাও তংবা ঙমদনা লাক্লি। নীংতম্না নাথৈদুনা লান্না লমজিংলবা ঈং-তপ্পা অদুগী মহুৎ তুং কোয়বা অমসুং মপুং ফাবা ঈং-তপ্পা পুন্সিরোল অদু পাল্লি হায়বসি প্রিপাক্লা মুন্না খঙবগা লোয়ননা খুন্নাই অমবু নমথদুনা মীখা পোন্না থল্লগা ঈং-তপ্পা লৈবা ঙমদে হায়বসি লমদমসিগী চহী লিশিং ২ হেন্না নীংতম্না পাল্লকপগী পুৱারী লৈজরিবা লমদম অসিগী মীয়াম্না খঙই হায়বসিসু মুন্না খঙই। মরম অসিনা মালেমগী থাক্তা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা মালেমগী মীয়ামগী ঈহৌ অসিদা ইরমদমগী মীয়াম্না হেন্না চাউবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইন্টর্নেসনল দে ওফ পিছকী খ্বাইদগী অহানবা থৌরমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ১৯৮১ দা ৱারেপ মশীং ৩৬/৩৭ লৌদুনা কুমজা ১৯৮২ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হেদ ক্বার্টরস, ন্যুয়োক্তা ঈং-তপ্পগী কাংশি খিংদুনা হৌদোকখি। কাংশি অদু আফ্রিকা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী অঙাংশিংনা কৎলকখিবা শেলশিংনা হৈরগা শাখিবনি অমসুং মদু য়ুনাইটেদ নেসন্স এসোসিএসন ওফ জাপাননা য়ুনাইটেদ নেসন্সদা খুদোল ওইনা পীরকখিবনি। লোয়ননা মদুবু লানদা শাখিবা মীওইবগী মমলগী নিংশিং খুদম ওইনা লৌনরি।

মপুং ফারবা মালেমগী ঈং-তপ্পনা মতম কুইনা পুনশিনসনু হায়না কাংশিগী নাকল খুদিংমক্তা ময়েক লানা হক্তুনা ইরিবা অসিনা মালেমদা পাউজেল্লি মদুদি মচেৎ মকায়, তৌশিন্নবা নত্তনা তুং কোইবা, মপুং ফাবা ঈং-তপ্পা অদুমক ঙসিগী মালেম্না মথৌ তারি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী খোঙথাং অসিনা খুৎলাই পায়দুনা মুক্লবগী ফীভম লৈবা লৈবাকশিংগী মীয়াম্বু মপুং ফানা, তুং কোইনা চুম্লবা ৱাখৈরোল পীনবগী হেন্না চাক চাউরবা পান্দমদু হেন্না ফগাৎহন্দুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী থোইদোক-হেন্দোক্লা মায়োক্লরিবা অৱাবদি, খুৎলাই পায়দুনা নীংতম লান চথরিবা মালেমগী লৈবাকশিং অসিনা মুক্লবগী ফীভম মায়োক্লরিবা অমসুং ঈং-তপ্পা পুন্সিদগী নাথৈবীরবা মীয়াম অসিনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিগী মালেম অসিদা মরৈবাকপু মপান লৈবাক্লা নম-হাদুনা লোই চনবীরবা মীওই ক্রোর ২০০ হেনবনা মখুৎতা খুৎলাই পায়দুনা নীংতম লান শোক্লরি অমসুং তংদু-লৈতাদবা মওংদা ঈং-তপ্পা ফংদনা ৱানা পুন্সি লেন্নরি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুং য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসন লিংখৎতুনা ঈং-তপ্পগী মরীদা পান্দম থমদুনা চঙশিল্লকখ্রবসু খুৎলাই পায়দুনা মুক্লবগী মরম্না ময়ুমদগী তাম্থোকপীরবা নত্রগা লৈবা ফংহন্দ্রবা য়াওল লান্মী, লাঞ্জেন্নরিবা মীয়াম ক্রোর ৫ হেনবগী মীয়াম্না ঈং-তপ্পা ফংবদি লাইরদনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পীফম থোক্লবা হকশিং ফংহন্দনা অৱা-চৈথেং খাংদুনা লৈরি। মীনা মীগী মখা পোন্না হিংবা হায়বসি মীওইবগী মতিক মঙম ঈকাই খুম্ননা ঈং-তপ্পা হিংবা পুন্সিরোল অমা ফংবা কৈদৌনুংদসু ওইথোকপা য়াদে হায়বগী য়ুম্ফমদা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস- ১৯৪৮ লাউথোকখিবনি। নীংতম লানশিংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স মেম্বর লৈবাকশিংনা মতেং পীগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেম্ব্লীনা কুমজা ১৯৭২ গী ওক্টোবর ১২ দা ৱারেপ মশিং ২৬২১ লৌদুনা লাউথোকখিবনি। মালেমদা পুন্না নুংশি চান্ননা অমসুং ঈং-তপ্পা হিংমিন্নবদা মরোমদোম লেপচবগী হক অসি চঙদবা য়াদবা মরম্না ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ষ্টেট্যুট আর্টিকেল ৩৮ শুবনা মীখা পোল্লবা মীয়ামদা হক অসি ফংহনগদবনি হায়বগা লোয়ননা ইন্টর্নেসনল কোভেনেন্ট ওন ইকোনোমিক, সোসল এন্দ কলচরেল রাইটস অমসুং ইন্টর্নেসনল কোভেনেন্ট ওন সিবিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটসকী শিংকক মশিং অহানবা (১৯৬৬) না কাঙলুপ নত্রগা ফুরুপ খুদিংমকপু মরোমদোম লেপচনবগী হক তানবা য়াহল্লি। অদুবু ইন্দিয়ানা কোভেনেন্ট ২৫ অয়াবগী খুৎয়েক পীরবা মতুংদা মালেম পুন্নমক্লা য়ানখ্রবা ৱাফমদগী নাথৈদুনা লৈরি। ইন্দিয়াগী থৌওং অসিনা জম্মু কাশ্মির অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী কোরিদোর লৈবাকশিং (ৱেসিয়া) দা ঈং-তপ্পা থুগায়দুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পান্দমদগী নাথৈরি।

মরম অদুনা ঙসি ইন্টর্নেসনল দে ওফ পিছ ২০১৪ না লাকপসিদা মীয়াম্না মালেমগী পাউজেল অসি মুন্না খঙমিন্নবগা লোয়ননা লমদমসিগী ঈং-তপ্পা, তংদু-লৈতাবা থুগায়রিবা লোই লৈঙাক্লা নমথদুনা থল্লিবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা খোঙফম অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা চঙশিনমিন্নরসি অমসুং অরানবা খোঙফম লৌরিবা লোই লৈঙাক অসি থুপচিন্দুনা নুঙাই য়াইফবা, ঈং-তপ্পা অপুনবা খুন্নাইগী ইরৈবাক শেম্লসি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মাওইষ্টনা য়াওল লালহৌ মরু হুনখিবগী মপোক কুমওনদা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু লৌশিন্নবা হোৎনরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপদা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা অফোংবা পুন্সিরোল থাদোক্তুনা অরোনবা পুন্সিদা খোঙদাখিদুনা মণিপুরগী লৈমায়দা য়াওল লালহৌ মরু হুনখিবগী ৬৬ লকশুবা নুমীৎনা লাকপদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দগী সেক্রেটরি কমরেদ নোংলেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, য়াওল লালহৌ মরু হুনখিবগী ৬৬ লকশুবা নুমীৎ অসি মণিপুরগী নীংতম য়াওল খোঙচৎতা খ্বাইদগী মরুওইবা অমদি মণিপুরদা খুৎলাই পায়বগী নীংতম লালহৌ শেমগৎলকখিবা নুমীৎ অমনি। কুমজা ২০১২ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লান্মী শঙলুপ ন্যু পিপলস মিলিসিয়া (এন পি এম) শেমদুনা ঙসিদি চহী অনী মপুং ফারকপগা লোয়ননা লিক্লম নাইবা অচেৎপা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম থোনবা মীয়ামগী লান্মী শঙলুপ অমা লৈবা ঙম্লকপা অসিগীদমক্তসু লূপ অসিদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ইন্দিয়ন মাওইষ্ট মীয়াম্না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট) হায়রগা খঙনবা লূপ অসি কুমজা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বর ২১ অসিদা চহী ১০ মপুং ফারগনি। মাওইষ্ট ২৫০০ হেন্না থৱায় কৎখ্রবা মাওইজমগী অকুপ্পা লিক্লম পথাপতা খুম্মাঙ চাউশিন্না লাম্থেংনরিবা ইন্দিয়ন মাওইষ্ট অসি কুমজা ২০০৪ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা লিংখৎখিবনি। মরম অদুনা নুমীৎ অসিনা লাকপদা ইন্দিয়ন মাওইষ্টকী সেন্ট্রেল কম্মিটি অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ পিপলস লিবরেসন গুরিলা আর্মি (পি এল জি এ) অমদি ইন্দিয়াগী ওৎপী-নৈবীরবা মীয়াম্বুসু মণিপুর মাওইষ্টনা য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি লৈঙাক অসিনা চথরিবা খুদিংমক শুপ্পমনি, মরম অদুনা মীয়াম্বা অচুম্বা ৱায়েল অমফাওবা ফংখিদ্রি। অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক অচম্বা মীয়ামগী ঈহৌনা করিসু কান্নবা ফংলরোই। ইরোম শর্মিলা চনুনা চহী ১৪ ঈং-তপ্পা চরা হেনবদা কান্নফম খঙহন্দবদা নত্তনা লাইথিবী অমগুম অমুক থাদোক, অমুক ফাজিন শান্নদুনা লৈরি। তোপ-তোপ্পা মীয়ামগী ঈহৌ অমগী তঙাইফদবা লৈরে। ৱাকৎ মীফম অমদি ৱাকৎ খোঙচৎ খরনা খুন্নাই অসি কনবা ঙম্লরোই। মীয়ামগী অঙাঙবা ঈখেঙতনা য়েলহৌমী অমদি খুন্নাই অসি কনবা ঙমগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি লময়ানবা হিজম ইরাবতনা চুখৎলম্বা য়াওলগী মৈরিনা ইৱাইরক্তুনা চহী ৬৬ মপুং ফারকপা, ইন্দিয়ন মাওইষ্টকী লাননা খুম্মাঙ চাউশিল্লক্তুনা চহী ১০ মপুং ফারকপা অমদি মণিপুর মাওইষ্টকী লান্মী শঙলুপনা চহী অনী মপুং ফারকপগী য়াইফরবা পুংফম অসিদা লূপ অসিনা মণিপুরদা অনৌবা য়াওল খোঙচৎ অমগীদমক অনৌবা মীয়ামগী ঈহৌ অমগীদমক হায়বদি পিপলস ৱারগীদমক য়াইফ পাউজেল পীজরি। ঐখোয়গী ইরমদম ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্স লাক্ষ ১ রোম থমজিন্দুনা পীকখ্রবা মণিপুরগী মীয়াম্বু ওৎ-নৈবীরি। তংদু লৈতাদ্রবা খুন্নাই অসিদা ইন্দিয়ানা অতম্নবা নার্কো ৱারফেয়র চথদুনা নহা কয়াবু ময়ায় কাবা চীঞ্জাক দ্রগতা লাইচুদুনা মহাম তারবা খুন্নাই অমা ওইহল্লক্লি। মীওই লাক্ষ ৭ কী ঈ চাংয়েং তৌবদা মীওই লিশিং ৩০ হেন্না ঐচ আই ভি/এইদসকা শাগোন্নদুনা লৈরম্লবা লৈঙাক অমনি হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না নীংশিংবীয়ু হায়রি।

ঙসিগী লৈরিবা য়েলহৌ খুন্নাই অসি ইচম চম্বা মীয়ামগী ঈহৌনা কনবা ঙম্লরোই। ৱার অমগী তঙাইফদবা অসি মীয়াম মরুওইনা ইনখৎলক্লিবা মণিপুরগী নহারোলশিংনা খঙমিন্নরসি হায়না লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মণিপুর কল্লম্বা নুমীৎ অমদি লূপ অসিগী লান্মী শঙলুপ শেমখিবা নুমীৎ অসিদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। মণিপুর মীয়াম্না মাওইষ্টকী লালহৌদা শরুক য়াবীয়ু অমদি লূপ অসিগী লান্মী শঙলুপনা চহী অনী মপুং ফারকপগা লোয়ননা মাওইষ্টনা য়েক্লবা লান্মীগী মথক্তা লানদাবা হৌবা ঙম্নবগীদমক শেম-শাবা হৌরগনি হায়না মণিপুর মীয়ামদা চেরোল অসিনা মখা তানা থাজবা পীরক্লি।

## সেন্টরনা খঙহল্লকপদগী আই এমগী...

*লামায় ১গী মখা...*খোঙচৎ অসিগী মনুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অনৌবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিগা ৱারী শানরবা য়াই। অদুমকপু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মপান লৈবাক্তা চৎকদবা খোঙচৎকীদমক মথৌ চিনবনা মরম ওইরদুনা উনগদ্রা নৎত্রগা উনরোইদ্রা হায়বদি তাংদাংবা খঙবা ঙমদ্রি। প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শানবা তারবসু চয়োল অমগী মতুংদা ওইথোকপা য়াই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। পনবা য়াবদি সেন্টরদা কোংগ্রেসনা লূচিংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈদো নাগা লালহৌবগী ফেক্সন অসিগা সেন্টরগা লৈনবা মরী অসি অকা-অকুম নায়খি। হৌজিক সেন্টরদা এন দি এ গভর্ণমেন্ট অমুক হল্লকপসিদা নাগাগী লূপশিং অমসুং আই এমনা হেন্না ফবা মায়োন অমদা লাক্কনি হায়না থাজবা থল্লি।

## ন্যু সোমটাল অমসুং বেহাংদা বোর্দর...

*লামায় ১গী মখা...*চয়েৎনবা লৈতে। তুরেল অমনা নাকল অনীমক্কী নো-মেন'স লেন্দ ওইনা খল্লগা লৈবনি। ম্যান্মার মায়কৈগী ওইনা লম্বী-থোংগী ফীভম খরমখৈ ফৎত্রবসু মণিপুরগী ওইনদি টিদ্দিম রোদকী শরুক অমা ওইবনা বি আর টি এফনা তরু-তনানবা অমসুং গাড়ী থৌবা য়াবা লম্বী শেমদুনা লৈরে। বেহাংদা হাংগদৌরিবা বোর্দর হট অসি ইম্ফাল-মোরেগী অরাপ্পগা থোইনা খেন্নদবা ওইবা মরম্না লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা য়াম্না হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নিংঙাই ওই হায়রি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা বোর্দর হট অনী অমগা হাপকৎপীনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা য়াম্না কন্না তক্করি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী নৌনা বোর্দর হট শাবীনবা তক্লরিবা মফম অনী অদুদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কোংখাং থানা অমসুং ন্যু তুসোম ভীলেজদনি হায়রি।

## চেঙ হোনবা শিন্মীশিং সী এমগী...

*লামায় ১গী মখা...* খনগনু, দেমোক্রেসিগী মরুমদা দিক্টেটরশিপ থমগনু, শেঞ্জাও পায়বনা অচুম্বা শকপগী ৱাখল থাদোকসি হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া পায়খি। সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি রোমেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোরকপদা, গভর্ণমেন্টনা সঙাইপ্রৌ গোদাউনগী চেঙ হোন্দাক-হোঞ্জিন তৌরিবা শিন্মীশিংগী খুৎশুমল অসি ক্বিন্টল অমা থাংবদা লুপা ৬ তগী ৭.৫০ ফাওবা পীরগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা লেপ্পলকখি। অদুবু নৌনা লাকপা লেবর কন্ট্রেক্টরনা হন্থনা পীগনি হায়রকখি। হান্নগী শিন্মীশিংসু খরা লৌথোক্লবা হোৎনরকখি। ফীভমসিদা মতম শাংনা থবক শুদুনা লাক্লবা শিন্মীশিং থবক লেপ্তুনা লৈরে। হীরমসিদা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
ADMISSION OPEN FOR LAST BATCH
CLASS XI & XII SC. FOUNDATION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
CLASS X FOUNDATION COURSE (Manipur Board)
"Classes is just started"
Run by well trained & 20 years experience teachers
Seats are limited, Hurry up !
Class Timing: 5.50a.m. to 8.15a.m.
Pliz Contact: B.C.C. Manipur Main Building
Keishampat Leimajam Leikai, Tiddim Road
Hostel & Van Service facilities # 9856310202 / 9856279435

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২১।০৯।১৪, নোংমাইজিং, লাংবনগী ২৮ নি পানবা, নুমীদাং পুং ০৪.৩৯ দগী ২৯ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি মখা, নুমীদাং পুং ০৪.৩৯ দগী নোংচুপ

*মেষ :* ইচা ইনাওগী মতেং ফংগনি, মরুপনা চানবীবা, ৱাখল নুঙাইবা পীবা লৈ।
*লল্লোন ইতিক :* ফিরোলগী থবক চাউখৎপা লৈগনি।
*পাখং-লৈশা :* ঈকাইবা মুক্লবা লাক্কনি।
*হকচাং :* শরূ, শিংলিদা নুঙাইতবা লৈগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* থোইদিং অমুবা, চা চন্দন।

*বৃষ :* অপনবা থবক পাঙথোকপগী চরাঙনবা লৈগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা মতাংনি।
*লল্লোন ইতিক :* ঈশিংগী পোথোক্তা চাউখৎকনি।
*পাখং-লৈশা :* ঈকাই নুংশি য়ান্নগনি।
*হকচাং :* উনসা, অপোম অতং লৈগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

*মিথুন :* খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, মীনা পাউথোকপীবা, লাঙতক্লবা লৈগনি।
*লল্লোন ইতিক :* চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
*পাখং-লৈশা :* মাঙদনা অমা তুংদনা অমা খনবা লৈগনি।
*হকচাং :* ঙক, খৌরি নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*কর্কট:* ৱাখল মফাং মফাং খনগনি, অনৌবা মরুপ মপাং ফংজবা, থাজদবা লন লাকপা লৈগনি।
*লল্লোন ইতিক :* ঈশিংগী পোৎলম কান্নজগনি, চাউখৎপা লৈ।
*পাখং-লৈশা :* নীংজবা থুংগনি।
*হকচাং :* পুক্তা নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

*সিংহ:* থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ, চরক চহিংনবা লৈগনি, ইচিল ইনাওগী মরীদা মুক্লবা লৈগনি, তপথবীয়ু।
*লল্লোন ইতিক :* য়েক্লবা য়ামগনি।
*পাখং-লৈশা :* মুক্লবা লাক্কনি।
*হকচাং :* ঙক, খৌরি নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

*কন্যা:* মরুপনা য়েক্লবা ওইবা মতাংনি, পুক্নিং ফাথবা ফৈ, লন চঙবা, মথক থোংবগা মুক্লবা লৈগনি।
*লল্লোন ইতিক :* অরংবা পোৎচৈদা কান্নজব, থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
*পাখং-লৈশা :* নীংবা থুংগনি, লৈরাং লৈনম লৈগনি।
*হকচাং :* খোঙদা নুঙাইতবা পীগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

*তুলা:* ৱাখল পীকথবা, কান্নবা ৱাৎপা, শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি।
*লল্লোন ইতিক :* মাঙবনা হেল্লি, চীঞ্জাক্কী থবক কান্নগনি।
*পাখং-লৈশা :* অশাউবনা মাঙওইনৈ।
*হকচাং :* শরূ, শিংলিদা নুঙাইতবা লৈগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

*বৃশ্চিক:* ইমুংদা চরাঙনবা, তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
*লল্লোন ইতিক :* অনৌবা মরুপ লাক্কনি, সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
*পাখং-লৈশা :* ৱাখল মান্নগনি।
*হকচাং :* মিৎতা নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, ঘী।

*ধনু :* শেল চৎপা, ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, মথক থোংবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
*লল্লোন ইতিক :* হীদাক্কী লল্লোন ইতিক চান্নে।
*পাখং-লৈশা :* মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরকপা।
*হকচাং :* খোঙদা নুঙাইতবা পীগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*মকর :* নুঙাইবা পাউ লৈগনি, ইপা ইমাগা মুক্লবা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
*লল্লোন ইতিক :* থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চান্নে।
*পাখং-লৈশা :* পুক্নিং লাঙবা, ঈকাইবা নংগনি।
*হকচাং :* মচেক ময়া পানবগী শাহুম লৈ।
*কোকচনবা পোৎলম :* থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

*কুম্ভ :* শাউহনবা মতাংনি, মখা থাবনা তাথিবা, ঈকাইবানংবা, চাউখৎ থৌরাং তৌনিংবা, লমদা চৎপা লৈগনি।
*লল্লোন ইতিক :* অরু অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
*পাখং-লৈশা :* ৱাখল লাঙতক্লগনি।
*হকচাং :* ঈশিং মরী, পুক্তা নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*মিন :* মীনা অপনবা পীবা, শিংথাদবা, থবক্ল য়াম্না লাক্কনি, লন চঙবা মতাংনি।
*লল্লোন ইতিক :* চাউখৎপা, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
*পাখং-লৈশা :* চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
*হকচাং :* ঈশিং মরী নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু। যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।